**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 17-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল লক্ষ্মন প্রসাদ অচারিয়ানা রাজ্য অসিদা ঙাগী পোখোক হেনগৎহন্নবা আপীল তৌরি।

২) নেসনেল হাইৱে- ১০২-এগী সংসকতগী তেংনৌপল ফাওবগী লন্বী শেমনবা লুপা কোতি ৭৭৭ লাখ ৬১ পীরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী লুচিংবশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

৩) মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা হায়রি- মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোংদোরকপা অসি লাইবক থিবনি।

৪) শলুংফমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংগা খুৎ থোকবদা প্রিপাক্কী কেদর অমা লৈখিদবনি হায়রিবা অদুগী মতাংদা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিল্লি।

অমসুং

৫) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল য়ামা চংদবা মেদিকেল তুরিজমগী হব অমা ওইরক্লি।

------

রাজ্যপাল (এল)ঃ রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা রাজ্য অসিদা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা আপীল তৌখ্রে।

আই.সি.এ.আর, দাইরেক্তোরেট ওফ কোল্ড ৱাটর, ফিসজরিজ রিছার্সকী দিরেক্তর ডাঃ প্রমোদকুমার পান্দেনা লুচিংবা মীওই অনিনা শাবা মীহুৎ কাংবু অমগা রাজ ভবনদা ঙসি রাজ্যপালগা উন্নবদা ৱাফম অসি রাজ্যপালনা ফোংদোকখিবনি। ওফিসিয়েলশিং অদুনা রাজ্য অসিদা ঙাগী পোত্থোক হেনগৎহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা রাজ্যপালদা পাউদমখি। মখোয়না পাউদম্লিবশিং অদু তারবা মতুংদা রাজ্যপালনা থবকশিং অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। ঙা অমসুং ঙাগা মরী লৈনবা অতৈ সেক্তরশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনবদা আই.সি.এ.আর, দাইরেক্তোরেট ওফ কোল্ড ৱাটর, ফিসজরিজ রিছার্সনা মখা তানা অচৌবা থৌদাং লৌনবসু রাজ্যপালনা পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, মণিপুর ষ্টেট ভারত স্কাউটস এন্দ গাইদসকী ষ্টেট সেক্রেটরি টি.ঐচ. হেরামনি সিংহনা লুচিংবা মীওই ৭ না শাবা মীহুৎ কাংবু অমগসু রাজ্যপালনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা উন্নখি।

রাজ্যপাল লক্ষমন প্রসাদ অচারিয়ানা লুচিংদুনা ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা এক পের মাকে নাম কেম্পেনগী মখাদা উ চারাশিংসু থাখি। থৌরম অদুদা রাজ্যপালনা মণিপুরগী ষ্টেট ট্রি ওইরিবা উনিংথৌগী চারা থাখি।

বিরেন (এল)ঃ নেসনেল হাইৱে- ১০২-এগী সংসকদগী তেংনৌপল ফাওবগী লম্বী শেমনবা লুপা কোতি ৭৭৭ লাখ ৬১ পীরকপদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না কেন্দ্রগী রোড, ত্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজ মন্ত্রি নিতিন গদকারিবু থাগৎপা ফোংদোকখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুরবু হেন্না চাওখৎহন্নবগীদমক ফোংদোকখিবা থাজবশিং থবক্তা ওন্থোকপা ওইনা শ্রী গদকারিনা শেনফম অসি কাইথোরকপগীদমক প্রধান মন্ত্রিবুসু শ্রী বিরেন্না থাগৎপা ফোংদোকখি। লম্বী অসি

নিংথিনা শেমজিনবা লোইরবা মতুংদা লমদম অশোমগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবা অমসুং ইকো তুরিজম চাওখৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

অশিনিকুমার (এল)ঃ লোক্তাক দিভলপমেন্ট অথোরিতিগী চেয়ারমেন মোইরাংথেম অশিনিকুমারনা পি.দব্লিউ.দিগী ইঞ্জিনিয়ারশিং অমসি ওফিসিয়েলশিং য়াওনা ঙসি থাঙ্গ কেন্দ্রদা চত্তুনা কেন্দ্রগী অসিগী লম্বী থোংগী ফিভম ফগৎহন্নবা য়েংশিনখ্রে।

তুংদা, অকাশবানি ইম্ফালদা শ্রী অশিনিকুমারনা হায়- ঙসিগী খোঙচৎ অদুদা থাঙ্গদগী সেন্দ্রা অমসুং কৈবুল তাবা লম্বী, মোইরাং খুনৌদগী কৈবুল তাবা লম্বী অমসুং কৈবুলদগী লাইশোই-সেন্দ্রা তাবা লম্বীশিং পাকথোকহন্নবা অমদি নৌনা শেমজিন্নবা হান্নবা প্রস্তাব তৌখিবা অদুগী মতুংইন্না ঙসি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা থবক্তা ওন্থোকবা য়েংশিনবা লাকপনি। লম্বীশিং অসিগী মফম কয়াদা রিটেন্নিং ৱাল, দ্রেনেজ সিষ্টেম অমসুং কলভর্টনচিংবা শেমনবা থৌরাংসু য়াওরি। মহাকা হায়- লম্বীশিং অসি নিংথিনা শেমজিনবা লোইরবা মতমদা লমদম অশোমগী চৎথোক চৎশিনগী লমদা শিংথানিঙাই ওইনা ফিভম ফগৎহনবা ঙম্লগনি।

কংগ্রেস (এল)ঃ মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা হায়রি- থা ১৯ শুরক্লবা মণিপুরগী ইরাং অসিগী মতাংদা কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা তোঙান তোঙানবা ৱাফমশিং ফোংদোরকপা অসি লাইবক থিবনি।

ইম্ফালগী কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট কৈশাম মেঘচন্দ্রনা হায়- মমাং চহিগী মে ৩ দগী হৌরকখিবা ইরাং অসি অহানবদদি হাই কোর্টকী ওর্দর অমনা থোকহনবনি হায়না কেন্দ্রগী লুচিংবশিংনা ফোংদোকখি। খরা লৈরগা আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপদগী থোকহনবনি হায়রকখি। অদুগা হন্দকা অমুক কাংলুপকী ইরাংনি হায়না ফোংদোরক্লে। অসিগুম্বা তোঙান তোঙানবা মান্নদবা ৱাফমশিং অসিনা মীয়ামদা চমমবা থোকহল্লে। থৌওং অসি মতম শাংলবা মণিপুরগী ইরাং অসি

ৱারোইশিন অমা পুরকবা হোৎনবদা সরকারনা লুমা লৌদে হায়বদু ফোংদোকপনি হায়না শ্রী মেঘচন্দ্রনা মরাল শিখি। ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রাজ্য অসিগী মীয়াম খম থেংনা অৱাবা মায়োকরি। অথুবা মতমদা মীয়ামগী অৱাবা অসিগী য়েংলগা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবীয়ু শ্রী মেঘচন্দ্রনা তকশিল্লি।

পুলিস (এল)ঃ থৌবাল জিলাগী শলুংফমদা থা অসিগী ১৪ দা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দোশিংগা খুৎ থোকবদা প্রিপাক্কী কেদর অমা লৈখিদবা অমসুং ৬ না খুৎলায়গা কোন্ননা ফাখিবা অদুগী মতাংদা হৈরোক পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌরে হায়না মণিপুর পুলিসকী দি.আই.জি রেঞ্জ-টু জোগেসচন্দ্র হাওবিজমনা ফোংদোকখ্রে।

ঙসি থৌবাল এস.পিগী কনফরেন্স হোলদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রী জোগেসচন্দ্রনা হায়- থৌদোক অদুগী মতাংদা মীয়ামা পুলিসপু লান্না উবীগনু। দিষ্ট্রিক্ট পুলিসনা হোৎনরিবা অসিদা পেন্দবা লৈরবদি কেস অসি সি.বি.আই নত্রগা এন.আই.এদা শিন্নখিবদা অকায়বা করিসু লৈতে হায়না দি.আই.জিনা ফোংদোক্লি।

মৈরা (এল)ঃ ৱিমেন ৱেলফ্যার সোসাইতি খুরাই থাংজম মমাং লৈকাই মৈরা পায়বী অমসুং খুরাই অহোংগৈ থাংজম লৈকাই নুপী কাংলুপ মৈরা পায়বী অনিনা পুন্না শিন্দুনা ঙরাং নুমিদাং ইম্ফাল ইষ্টকী নেসু গ্রাউন্দ মমাংদা খুল ঙাকপশিংবু তাথি তাওইনা তৌবগী মতাংদা য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা মৈরা পায়দুনা খোল্লাউ কয়া লাউদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা খুল ঙাকপা হাৎপা য়ানিংদে, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই অমসুং খুল ঙাকপা হাৎপদা চেন্নবা পুলিস থবক্তগী সস্পেন্দ তৌ হায়বনচিংবা খোল্লাউশিং লাউখি।

অমরোমদা, ককচিং খুনৌ লমখায়দসু ঙসি লমদম অদোমগী মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা ৱাকৎ খোঙজং চথখ্রে। ৱাকৎ খোঙজং অদুদা শরুক য়াখিবীশিংনা খুল ঙাকপা হাৎপা য়ানিংদে, খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই অমসুং অফম্পা

লৌথোকউ হায়বনচিংবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

শলুংফমদা খুল ঙাকপা মীওই অমা হাৎখিবা অমদি মীওই ৬ ফাজিনদুনা থমখিবগী থৌওং অদুবু কোকোমি ষ্টুদেন্টস ৱিংনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি। ক্বাকৈথেলদা লৈবা এইমসকী ওফিসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা কোকোমি ষ্টুদেন্টস ৱিংগী মিদিয়া কোওর্দিনেটর শুখাম বিদ্যানন্দনা হায়- ফাজিনখিবা খুল ঙাকশিং অদু সরকারনা সর্ত্ব অমত্তা য়াওদনা থাদোরক্কদবনি।

এময়ু (এল)ঃ মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়রি- রাজ্য অসিদা হৌখিবা চহি খরা অসিদা অকোইবগী খল অমদি ঈশিং নুংশিৎকী ফিভমদা চাউনা অহোংবা অমা উরি।

মণিপুর য়ুনিভর্সিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ইনভাইরোনমেন্টেল সাইন্সনা শিন্দুনা ডাঃ কোন্থৌজম খেলচন্দ্র সিংহনা ইবা কঞ্জার্ভেসন ওফ বাইও দাইভর্সিতি এন্দ ইনভাইরোনমেন্টে মোনিটরিং কৌবা লাইরিক অমা ঙসি মণিপুর য়ুনিভর্সিতিদা ফোংবগী থোরমদা ৱা ঙাংলদুনা প্রোফেসার এন. লোকেন্দ্রনা হায়- মণিপুরদা ২০১৮-১৯ গী মতমদা নোংজ্গী চাং অসি সেন্টিমিতর ২০০ ওইরম্বা অদু ২০২৩-২৪ অসিদদি সেন্টিমিতর ১৭০ দা হন্থরকখিবগী রিপোর্ট ফংই। রাজ্য অসিদা ক্লাউদ ব্রষ্টিংগী থৌদোকশিং থোক্লে। মসিনা মরম ওইরগা কঞ্চিপুরদা অকনবা নোং চুরবসু নকখ্রবা ইম্ফাল সহরদা নুংশা শাবগী ফিভম থেংনরে। মহাকা হায়- লোক্তাক পাৎকী হান্না লৈরম্বা পাক চাউবা হন্থরকপা অমসুং উমংগী শরুকশিং মাংশিল্লকপা কয়া অসিনা রাজ্য অসিদা অকোইবগী খলদা চাউনা অকায়বা পীরি।

মীয়ামগী নুমিৎ (এল)ঃ গুদ গভর্নান্স ৱিক্কা মরী লৈননা জিলা থাক্কী মীয়ামগী নুমিৎ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা থা অসিগী ১৯ দগী পাঙথোকপা হৌরগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী দিপ্যুতি কম্মিসনার খুমন্থেম দাইনানা থোকপা চেরোল অমদা হায়- থা অসিগী ১৯ দা শওম্বুংদা লৈবা এস.দি.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা মীয়ামগী নুমিৎ পাঙথোক্কনি। থা অসিগী ২০ দনা লংদুম মখা লৈকাই কম্যুনিতি হোলদা

অদুগা থা অসিগী ২৩ দনা পোরোমপাৎতা লৈবা পঞ্চায়ট ভবনদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা এক্স-সার্ভিসমেন রেল্লি অমা চুরাচান্দপুর জিলাগী তুইবোং পিছ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। মদুদা এক্স-সার্ভিমেনশিং, বির নারিশিং অমসুং মখোয়গী মচা মশুশিং শরুক য়াখি।

নিশা (এল)ঃ খুরাই কোনশম লৈকাই অপুনবা নুপী লুপ অমদি লময়ানবা ইরাবত মেমোরিয়েল ইন্তিগ্রেতেদ ট্রষ্টকী থৌমীশিংনা ঙসি খুরাইগী মফম কয়াদগী য়াল্লবা নিশাগী পোৎলমশিং ফাগৎখ্রে। তুংদা পোৎলমশিং অদু পাউমীশিংগী মমাংদা মৈ থাদুনা মাংহনখ্রে হায়রি।

কমল (এল)ঃ কোকোমি জিরিবাম অমসুং লখিপুরগী মৈরা পায়বীশিংনা খুৎশম দুনা মাংখ্রবা কমলবাবু খুদক্তা শিন্নগদবনি, জাকুরাধোরদা অঙাং য়াওনা মীওই ৬ হাৎপদা চেন্নবা কুকি মার মিলিটেন্টশিং ফাদুনা চৈরাক পীগদবনি অমসুং অফম্পা লৌথোক্কদবনি হায়বা দাবী কয়া তকশিনদুনা ঙসি ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে।

গ্রেনেদ (এল)ঃ উরিপোক খাইদেম লৈকাইদা লৈবা প্রাইমারি ওজা অমগী য়ুমদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা থমজিল্লম্লে হায়রি। পাউ অদু হেক ফংবগা মফম অদুদা পুলিস লাক্তুনা অশোই অঙাম য়াওদনা লৌথোকখি। তুংদা মফম অদুগী মীয়ামা বোম থমজিল্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম চথখি।

মৈ (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পনি লিমিতেদকী ওফিসিয়েলশিংনা ঙসি আই.ই.দি দিভিজন-ফোরগী এরিয়াদা রেইদ চথবদা মৈ হুরাল্লম্বা মীওই ৭ ফারে হায়রি। লোয়ননা মৈগী খাজনা থিদবা কঞ্জুমর ৬ কী মৈসু ককথৎখ্রে হায়না কম্পনি অসিনা থোরকপা চেরোল অমদা ফোংদোরক্লি।

ফয়ার (এল)ঃ মণিপুর ফয়ার সার্ভিস দিপার্টমেন্টনা শিন্দুনা উখ্রুল অমসুং সেনাপতিগী ফয়ার সবষ্টেসনশিংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা বেসিক লাইফ এন্দ ফয়ার সেফতি ত্রেনিং প্রোগ্রামশিং ঙরাং অমসুং ঙসি পাঙথোকখ্রে। দিপার্টমেন্ট অসিগী ইম্ফালদা লৈবা কন্ত্রোল রুমগী ফয়ার ওফিসারনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়- খুদক্কী ওইবা মৈহৌ লংপোকশিং থোরকপদা মতম চানা লাকশিন্দুনা চাউনা অমাং অতা থোকহল্লকপা য়াবশিংদগী ঙাকথোকপদা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিনা কান্নবা কয়া পীরগনি।

আপীল (এল)ঃ ঐচ.এস.এল.সি একজামিনেসনগী মতম লাউথোক্লবা মতুংদা বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরগী ষ্টাফশিংনা পেন দাউন ষ্ট্রাইক তৌখিবদগী ওইরক্লিবা ফিভম অসি মহৈরোইশিংগী য়েংলগা য়ামা নুংনাংনিঙাই ওইরে হায়না ওল মণিপুর রিকোগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না হায়রি।

এসোসিয়েসন অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা, মরী লৈনবা ওথোরিতিনা ওইরক্লিবা ফিভম অসি হন্না য়েংশিনবীদুনা মহৈরোইশিংদা অয়েৎ অপন থোকহনবীদনবা আপীল তৌরি।

ডে (এল)ঃ ৱার্ল্ড হোসপিস এন্দ পেলিয়েতিভ কেয়ার ডেগী পালন থৌরম ঙসি থৌবালদা পাঙথোকখ্রে। নেসনেল হেলথ মিসনগী মখাদা নেসনেল প্রোগ্রাম ফোর পেলিয়েতিভ কেয়ার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট হেলথ সোসাইতিনা শিনবা থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী চীফ মেদিকেল ওফিসার অমসুং দিষ্ট্রিক্ট মিসন দিরেক্তর ডাঃ ৱাই. নোকুল শরুক য়াখি।

ওকপা (এল)ঃ কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়না শিন্দুনা নিউ দিল্লিদা থা অসিগী ৯ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৬৮ শুবা নেসনেল স্কুল গেমসতা বোক্সিংদা সনাগী তকমান লৌরকখ্রবা প্রবিন নাউরেমবু ঙসি লাংমৈদোং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ওজাশিং অমদি মহৈরোইশিংনা তরামা

ওকখ্রে। প্রবিন নাউরেম হৌজিক হৌজিক লাংমৈদোং হায়রি সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস টেন তল্লিবা মহৈরোইনি হায়রি।

রাষ্ট্রপতি ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি- ভারত অসি মালেমগী ওইনা শেল য়ামা চংদবা মেদিকেল তুরিজমগী হব অমা ওইরক্লি। মসিদা ডোক্তরশিংনা মরুওইবা থৌদাং লৌরি।

অন্ধ্র প্রদেশকী এইমস মঙ্গলাগিরিগী ঙসি পাঙথোকখিবা কনভোকেসনগী থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা রাষ্ট্রপতিনা হায়- মেদিকেল প্রোফেসন অসি মীওইবা খুনাইগীদমক কৎথোক্লবা শিনফম অমনি। মরম অদুনা লম অসিদা থবক তৌরিবা মরুওইনা ডোক্তরশিংনা মীয়ামদা থম্মোয় শেংনা অনা লায়েংগী থবক তৌনবা হোৎনগদবনি। মসিগী মথক্তা মতমগী মতুংইন্না অনা লায়েংগী লমদা শিংনবা কয়া লাক্লিবা অসি থেংনবা ঙমবা থিজিনবগী থবকসু লেপ্তুনা চথগদবনি। এইমস মঙ্গলাগিরিনা লমদম অদোমদা অনা লায়েংগী লমদা লৌরিবা থৌদাংবুসু রাষ্ট্রপতিনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

জয়পুর ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি জয়পুরদা ইনর্জি, রোড, ৱাটর অমসুং রেলৱেজগী লুপা কোতি লিশিং ৪৬,৩০০ চংনা পায় খৎকদবা প্রোজেক্ট ২৪ গী যাত্রা হুনখ্রে। প্রধান মন্ত্রিনা লুপা কোতি লিশিং ১১ চংবা প্রোজেক্ট ৯ শঙ্গাখি। মসিগী মনুংদা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট ৭ অমসুং রাজ্য সরকারনা পায়খৎপা প্রোজেক্ট অনি য়াওরি।

লোক সভা ঃ গৃহ রাজ্য মন্ত্রি নিত্যাইনন্দ রাইনা ঙসি লোক সভাদা হায়খ্রে- লৈবাক অসিগী সমুদ্র খোঙবানগী লমদমদা সেক্যুরিতিগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক সরকারনা কোষ্টেল সেক্যুরিতি স্কিম পায়খৎলে। মন্ত্রিনা হায়- কোষ্টেল পুলিস মতমগা চুননবগীদমক ত্রেনিং পীবা অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিংগী থবক পায়খৎলি। হৌজিক ফাওবদা কোষ্টেল পুলিস পার্সোনেল লিশিং ১৩,৮৭৯ স্কিম অসিগী মখাদা ত্রেনিং পীখ্রে।

অমরোমদা, কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না হায়রি- লৌমীশিংগীদমক্তা সোইল হেলথ কার্দ কোতি ২৪ লাখ ৬০ য়েন্থোকখ্রে। লোক সভাদা ঙসি ৱাফম অসি ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রিনা হায়- সোইল হেলথ কার্দশিং লৌমীশিংদা ফংহনবা অসিনা চান্নবা মহৈ মরোংশিং থাদুনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

শতোস ত্রোফি ঃ ৭৮ শুবা শন্তোস ত্রোফিগী গ্রুপ মেটচতা হয়েং মণিপুরগা জম্মু-কাশ্মীরগা হাইদ্রবাদকী দেক্কান এরেনা ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি। মেটচ অসি হয়েং অয়ুক পুং ৯ দা শান্নগনি।

অমরোমদা, ২৯ শুবা সেনিয়র ৱিমেন নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপতা মণিপুরগা তামিলনাদুগা হয়েং নরায়নপুরগী আর.কে.এম আশ্রম গাউন্দদা শান্নরগনি। মেটচ অসি নুংথিল পুং ২ মখায়দগী হৌগনি।

ফুটবোল ঃ মরিশুবা মাস্তর ডাক্তর মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রসাখি দেবী মেমোরিএল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ভি.এফ.সিনা কামোংবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা য়ু.বি.এস.এনা টি.বি.এস.এফ.এবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মরিশুবা এম.এন.সি.এ. সুপর লেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা লিগ মেটচতা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ্ পার্ট-টু পেচু লম্পাকনা পি.এস.সি খোয়াথোংবু ৱিকেট ৮ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদা আর.সি.এ লিলোংনা পি.সি.সি ময়াই কোয়বীবু রন ৯৯ দা, থাউ থাংমৈবন্দনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু ৱিকেট ১ দা, অদুগা এন.সি.এ নিংথৌখোংনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু রন ৯৮ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ  ২১ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.য়ু.সি.সি. ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা য়ু.সি.সি উরিপোকপু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

পোলো ঃ  ককচিং দিষ্ট্রিক্ট য়ুনাইতেদ ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনগা খুৎশমদুনা শিনবা অহানবা ষ্টেট লেবেল মেন্স ওপন পোলো তুরনামেন্টকী য়ৈথোকখিবা মেটচশিং থা অসিগী ২৬ তগী খুল পল্লি হিয়াংলম ৱাবগাইদা অমুক হন্না শান্নবা হৌরগনি হায়রি।

------